# মালেমসিদবু ধর্ম্ম (রিলিজন) লৈবরা?

'লাই থাজবা' হায়বসিগা 'ধর্ম্ম লৈবা' হায়বসিগা অনীসি মরী লৈনবরা? ধর্ম্ম অমদা থাজবগা, ধর্ম্ম লৈবা হায়বসিগা অনী অসি অমত্তরা? নৎত্রগা, ধর্ম্ম অমদা থাজরবা মহাক লাই থাজবা/লাই নীংবা মীশক অমনি হেক্তা হায়গদ্রা?... ঐগী ৱারেং চাং নাইনা পাবীবা মীশক অমা ওইরল্লবদি ঙসিগী ৱারেংসি পাবা হৌবমক্তদা শোয়দনা খনবীরমগনি - 'মাগী হৌনবী লাই থাজদবগী চোইরোলদু অমুক লোল্লক্লগনি, তোক্লগে, ৱারেং অসি পাররোই'।

ৱাখল অদু ওন্নরে। লাই লৈ নৎত্রগা লৈতে। নোসন অনী অসি অমত্তনি। লৈ হায়বসু অচুম্বনি, লৈতে হায়বসু অচুম্বনি। প্রমান তৌবা য়াদবা, থাজবদা যূম্ফম ওইবনি। ঐগী থাজবনা অচুম্বনি, নঙগী থাজবদু অরানবনি হায়বা য়াবা ৱা নত্তে। ঐখোয় মীওইবগী খুন্নাই অসি অসুক্কী মতিক চরাংনবা, চমন্নবনা থল্লে মদুদি 'রিলিজন (ধর্ম্ম) হায়বসি করিনো' হায়বদুফাও হায়ফম খঙদ্রবা থাক অমদা কূমথরক্লে, মীওইবা। রিলিজন হায়বসিগী ৱাহম্বোক ময়েক শেংলক্তবনা 'রিলিজিয়সনেস' (ধর্ম্ম লৈবা) হায়বদুসু খঙলক্ত্রে। ধর্ম্ম মশক খঙদবনা 'লাই' (ঈশ্বর/গোদ/অল্লাহ) হায়বসি করিনো হায়বদুসু খঙলক্তে। রিলিজন হায়বনা অমনি, রিলিজিয়সনেস হায়বসিনা অমনি।

ঈশ্বর মশক খঙননবা হোৎনবনা অমনি, ধর্ম্ম হায়বসিনা পুমতোপ তোপ্পা অমনি। অনীসি তোৎশিন্নরোইদবনি। অদুবু, মীওইবনা শেমখিবা চৎনবীনা, মান্নদবা রিলিজন মখল কয়ানা মান্নদবা ঈশ্বর অমমমগী মশক শেমগৎলকই। লাইগা রিলিজনগগী মরক্তা মরী অমা শেমগৎলকই। মরম'সিদগী ঐগী ইরোন'সিদসু ৱাহৈ অসিবু 'লাইনীং-লম্বী'না মহুৎ শিল্লকই। মানা নীংবা/থাজবা লাই অদুনা য়াৎলম্বা লম্বীদুদা চৎলিবনি, লাইগী ৱাপাউ শন্দোক্লিবা মখোয়না হায়বা ৱা খুদিংমক লাইদুনা হায়রম্বা/পীরম্বা য়াথংমক্তনি থাজহল্লকই। অতোপ্পা লাইনীং লম্বীদা চৎলিবা মীওই খুদিংমকপু য়েক্লবগুম উরকই। মসি করিদগীনো? মীওইবগী খুন্নাইদা মী অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিবই পাউজেল য়েনব'না মরু ওইবা পান্দম ওইগদবা ইন্সটিট্যুসন অমনা নুংশিনদবা, তূক্কচ্চননবগী মরম ওইরল্লবা অদু ওইরবদি ইন্সটিট্যুসনদুগী মরু ওইবা থৌপাঙলোয় ওইরিবা মখোয়গী অচৌবা অশোয়বা অমা লৈরে হায়বসি মশানা য়াফম থোক্তবরা? চৎনীংবা লম্বীদা চৎনরবসু পন্থুংদুদি অমত্তনি হায়বা অমনসু অমনসু খন্নদবা... 'নঙগী লম্বীদু অরানবনি, ঐগী লম্বীসিদা চৎসি লাউ' হায়ননবা হোৎনবা... চহী লিশীং কয়াদগী লান্না থাংদুনা লাক্লবা খোঙথাং অসি চুমথোক্লবা হোৎনদবা অসিনা কায়থরক্লিবা খুন্নাইগী মশক অসি হেন্না হেন্না কায়থরক্লবগী মরম অমা ওইরকপনি। ধর্ম্ম হায়বসি মীওইববু লাইগী মনাক তম্না চৎলিবা লম্বী অমগী অচুম্বা মায়কৈ তাক্লনবা, কনাগুম্বা খরনা/অমনা শেমগৎলম্বা/লীংখৎলম্বা ইন্সটিট্যুসন/ওর্গনাইজেসন অমনি। মীওইবনা শেম্বনি। করিগুম্বা হীরম অমত্তদা ঈশ্বরগা মরী লৈনদে। লাই হায়বসি অমত্তনি, মফম খুদিং লৈবনি... গোদ ইজ ৱান এন্দ ওমনিপ্রজেন্ট... হায়নরম্বসিনা তাকই মদুদি - ধর্ম্ম হায়বসি লাইগা মরী লৈনবা ওইরল্লবা মখল অনী কৈদৌনুংদা শুরল্লোই। অদুবু, লাইরিকশিংনা ইনরকপা/ফোঙনরকপা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না - মালেমসিদা ওর্গনাইজ - রিলিজন মখল চহুম হেন্না লৈ। 'সনামহিজম' হায়বসি য়াওরমগদ্রা, য়াওরল্লোইদ্রা হায়বদুমদি খঙদে। মান্নদবা লাইনীং লম্বীদা চৎনরিবা পূন্নমক্লা খন্নে - 'মাগী ৱাখল্লোনসিনা অথোয়বনি, পূন্নমক্তই পূমহেন হেনবনি'।

ইজরিবা ৱারেংসি চহী লিশীং কয়াদগী য়েৎনদুনা লাক্লবা, তুংগী চহী কয়াসু য়েৎনদুনা লৈখিগদবা, কন্ত্রোভর্সল ওইবা হীরম অমনি। ৱাখল মান্নদবা কনাদা প্রোভোক তৌ'গুম থোক্কনি, হায়নীংবা কয়া হায়জরোই। লাই থাজবা/থাজদবগা, রিলিজনগা মরী লৈনদে। লাই লৈ থাজদবা, নোংমতা লাই খুরুমদবা, চর্চ/মন্দির/মসজিদ'তা নোংমতসু চত্তবা কনাসু ধর্ম্ম লৈবা/রিলিজিয়স ওইবা মী অমা ওইবা য়াই। খৃষ্টিয়ানিতি/মহম্মদনিজম/হিন্দু/জুদাইজম হায়বসি কনাগুম্বা অমনা থাজজবা রিলিজন'নি হায়না শক্তাকচবা য়াই। তশেংবদি, মদু রিলিজন নত্তে। ওর্গনাইজেসন অমনি। অদুননি, কনাগুম্বনা মখোয়সিবু ওর্গনাইজদ-রিলিজন কৌনরিবা। অশেংবা রিলিজন হায়বদুদি ঈশিংনা ঈমাই চোল্লবা, লেপ্তুনা চেম্থরিবা তুরেলগী ঈচেল অমগুম্বনি... মনা পূংবা, উহৈ য়ানবা, মরূ লূকপা উপাল অমগুম্বনি... নুংশিবনা থল্লবা, অমকপা লৈত্রবা থম্মোয় অমগুম্বনি। বাইবল, কোরান, গীতাগুম্বা - হোলি বুক, তাইবঙ মপুনা পীবা য়াথংতনা থল্লবা হোলি-স্ক্রিপচরশিং, অশেংবা রিলিজন অমগীদমক মথৌ তাদে।

অশেংবা ধর্ম্ম শন্দোক্লবা, লাইগী মচা/প্রোফেৎ অমা লাইরৈপাক্তই মালেমদা কূমথরকপসু তঙাইফদবা ওইদে, মীওইববু কনবীনবগীদমক লাইগী মীহুৎ অমত্তা মালেমসিদা লাকখিদে, লাকপসু লাক্লোই তুংলমচৎত্তসু। মীওইবনা মীওইবই ধর্ম্ম ঙাক্লবা মন্দির/ মসজিদ, চর্চ অমত্তদা চৎপা দরকার ওইদে। লৈরাংগুম্বা থম্মোয়দুনি, নুংফাওনবা ইথিলদুনি - ধর্ম্ম, রিলিজন। থাজবীদবরা? অসিগুম্বা রিলিজিয়স ওইবা (ধর্ম্ম লৈবা) মীওইবগী মতৌ, মীপূম খুদিংমক্তা লৈরক্লবা মতমদুদা ওর্গনাইজদ-রিলিজনগী মমি তপ্না তপ্না মূৎখিনি। মীওইবদি মী ওইগদবনি। অশেংবা মী। হিন্দু, মুসলিম, খৃষ্টিয়ান, সিখ, জৈন, সনামহী নত্তবা। মীওইবগী মরক্তা অসিগুম্বা কাঙলূপ কাঙলূপ শেমগৎলকখিবসিনা মাঙলমচত্তা লাঞ্জাও কয়া থোকখরে, য়ুমলোন্নবা মশেন হাত্তোক্লখরে, ঙসিসু শেম শানরি - অমনা অমদা এটেক তৌনবা।

অশেংবা মীওইবগী ধর্ম্ম (রিলিজন)- ঙসি ফাওবা মালেমগী মফম অমত্তদা থুংলদরি ঙসিফাও। ঙসিগী মালেমসিদা লৈরিবা মমিং কয়ানা শক্তাক্লফম ওইবা ধর্ম্ম-ধর্ম্ম য়াওদবা ধর্ম্মনি (রিলিজন ৱিদাউট রিলিজিয়সনেস)। 'হ্যুমেনিটি' কৌবা ধর্ম্ম, ঙসি ফাওবা পোক্তরি। 'নুংশিনবা' কৌবা ধর্ম্ম, কনানসু শন্দোক্তরি। কনাগুম্বা ফুরুপ/কাঙলূপ অমনা থাজজবা লাই অমগী মিংদা শাবা লাইশঙ অমগী মনুংদা, লাইদুগী মিংলেন শোনবা, মতিক-মঙম-শৈথাবা নত্তনা, মীওইবগী নুংশি পাউজেল চেনবা মপাউ শন্দোকখ্রবগে? মসজিদ অমই মনুংদা কৃষ্ণগী মপাউ, শিব-মন্দির অমদগী অল্লাহগী পাউজেল... খৃষ্টিয়ান চর্চ অমদা গ্রন্থ-সাহিব, গুরদ্বার অমদা বাইবলগী ৱাপাউ... কৈদৌঙৈ কদায়দা ওইথোক্কনি? নুংশিবা হায়বসি ফোঙনবা মীওইবই ৱাহৈ লৈতবনি, থম্মোয়না থম্মোয়দা পাউজেনবনি, মীৎয়েংদুনা ৱাহৈনি। কনাগুম্বা অমনা উপাল-ৱাপাল, হৈরাং-লৈরাং, চীং-পাৎ-তুরেল-লৌবুক লমহাং, উচেক-ৱায়া-শা-ঙা থৱায়পানবশিংগা নুংশিনরকপা ... মালঙগী তাম্থাদা থম্মোয় ঈরাং হৌ, ৱাখলনা জগোয় শারকপা - অদুবু কৌই অশেংবা লাইশোল! প্রাথর্না! প্রেয়র! মতমদুদা কাউখিগনি হনুমান চালিসা! গোস্পেল শোং! অজান প্রেয়র! গায়ত্রি মন্ত্র !

—*ইন্দ্রকুমার*

# মুতুম রমণীগী শৈরেং লাইরিক 'করম্না থেমগনি' - মিৎয়েং অমা

মুতুম রমণী কুমজা ১৯৬১গী জুলাই ১৪দা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা মুতুম মাঘো অমসুং কোন্থৌজম নিংঙোল মুতুম ওংবী দসুমতি অনীগী মমোম ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মচিল মনাও মঙানি। নুপা অনী অমসুং নুপী অহুম পোকপগী মনুংদা মহাক্না ইতোন তোনবীনি। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবা পাবা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। অইবী অসি এম এ এল এল বিনি। মতম খরা প্রাইভেট কোলেজকী ওজা ওইরমখি। এল এল বি লোইশিল্লবা মতুংদা উকিলগী শিনফমদসু থবক তৌরমখি। কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম ষহানিগা যূম্বালমিন্নদুনা মচানুপা অনী হিয়াইরেন থোকচোম অমসুং য়োইমরেন থোকচোম ফংজখি।


নুপীশিংতগী ওইবা খোরিরোলগী লূপ অমা ওইরিবা লৈকোল (লৈমরোল খোর্জৈকোল) ইম্ফালগী পেট্রোন মেম্বরসু ওইরি। মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিজবা, মসিবু চাওখৎনবা হোৎনজবা অমসুং হেন্না থাক ৱাংনা পুখৎপা পামজবা ওইবনা লোক্তাক খোর্জে লূপ্তা 'লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিরোল মনা' কৎপীদুনা লমদম অসিগী অইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপীরি অমসুং খোরিরোল অমদি ইরোল ইয়েকপু চাওখৎনবা হোৎনরিবী অইবী অমসুনি। মহাক লোক্তাক খোর্জে লূপকী পেট্রোন মেম্বরসু ওইরি। মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিবু য়োকখৎপা পামজবা ওইবনা কোলেজ তম্লিঙৈদা ওল মণিপুর ইন্টর কোলেজগী দ্রামা কম্পিটিসনদা শরুক য়াদুনা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনাসু ফংলকখি। পুন্সিগী চিল্লবা থৌগায় ময়াম মরক্তা শৈরেং ইবা, ৱারীমচা ইবা, ঈশৈ ময়েক অমুক ইবা অমসুং লেপ্পা লৈতনা মণিপুরী খোরিরোলদা লাইরিক মথং মথং খুদোল তমজবা অসিনা পূক্নিং থম্মোয়না পেঞ্জবা হায়বদু ওইরি। মহাক্কী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি 'থম্মোয়না খোয়দাজবা গুলাপ' (ঐগী শৈরেং ১৯৮৯), 'লৈচিলগী ইন্নফি' (শৈরেং ২০১৯), 'ইঙাগী নোংজু (শৈরেং ২০২০), 'মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ' (ৱারীমচা ২০২০) অমসুং 'ফোঙঙমদ্রবা চৈনাখোল' (ৱারীমচা ২০২১), করম্না থেমগনি (শৈরেং ২০২২) অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএটতা সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরম্মী। অইবীনা লেপ্তুনা খোরিরোলদা লৌরিবা থৌদাং অমদি মহাক্কী লাইরিকশিংদা মনা মথুমশিংসু পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা লৈরে। নীংশিংবা য়াই মহাক্কী লাইরিক 'লৈচিলগী ইন্নফি' হায়বসিদা 'ঈপাক লিটরেরি এৱার্দ ২০২০-২১' পীদুনা ইকায়খুম্নবা লৈখ্রে। খোরিরোল শন্দোক লূপ ৱাংজিংনসু লাইরিক অসিমক্তদা 'প্রিয়শখি নীংশিং সাহিত্য মনা - ২০২১' ফংখ্রে। প্রোগ্রেসিব রাইটর্স এসোসিএসনগী কুমদম মনা ২০২১ অইবীগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ' (২০২১)দা পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

মহৌশা খূৎশেম ফজবদা ঙাওজদুনা লাকপা, কল্পনা তৌদুনা ফজবা পূন্নমক শৈথাদুনা পূক্নিং থম্মোয়দা ফাওরিবা নুংশিবা অপাম্বা, পাম্মুবা নীংজরিবা ৱাখল অদু ৱাহৈনা লৈসি লৈথোন্না ফোঙদোকচবা অসি রোমান্টিক কবিশিংগী মচৎ ওইনা লাকই। কবি মুতুম রমণীসু অসিগুম্বা রোমান্টিক ত্রেদিসন অমদা চঙশিল্লকপা থেংনৈ। মহাক্কী হান্না ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিকশিং - থম্মোয়না খোয়দাজবা গুলাপ, লৈচিলগী ইন্নফি, ইঙাগী নোংজু অসিনচিংবদা রোমান্টিক ত্রেদিসন্দা হেন্না নকশিন্না থেংনৈ। ফজববু ফিদম অমা ওইনা অমসুং অচুম্ববু লাইনীং ওইনা লাৎচনীংবা পূক্নিং ইহুলশিং মহাক্কী শৈরেংশিংদা মমি তারি। মমা লৈবাক মরমদম্বু চেৎনা নীংজবা নুংশিবা মশক অমসু উবা ফংই মহাক্কী শৈরেংশিংদা। অদুনা ইরক্লি **"মঙলান্দা শোল্লম্মী"** *"লাক্লম্মী মঙলান্দা পোক্লফম ইমা/শংলেন মুচুগী ইনফি নমদা ইন/মুগাগী সনা ফিগে খ্বাংদা থোন/খ্বাংচেৎ নমখাং লাকশিন্দুনা/নাপ্পদা নাইন্না মনিং-তম/শমজিদা পোমশাৎনবা লৈহাউ-লৈরেন/মোমোন মোমোন নোক্লম্মী/পায়রদুনা অশাৎপা থম্বাল মা/ইকোক থক্তা নাল্লদুনা/নুংশিরবা খোঞ্জেলনা শোল্লম্মী/"ঐবু লায়রবী কৌগনু"/নোক্লদুনা মখাসু তারম্মী,/ তুরেলগী খোঙনুংসে শেংদোকউ/ঐগী লংলবা লিক্লাংনি/অৱাংবা চীংদোলসে য়েংশিল্লু/ঐগী*




লাইরিক্কী মমিং :-
করম্না থেমগনি
অইবী :- মুতুম রমণী
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
অফোঙবা :- লৈকোল, ইম্ফাল, ২০২২
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৪৫০/-
লমায় মশীং :- ২৭৮
লাইরিক্কী মখুম :- হিয়াইরেন থোকচোম




*কোকথক্কী কজেংলৈনি/শেনৌ নিংখায়দনবা...লোক্তাক ঈপাকসে মোৎহলগনু/নখোয়দা ইন্নবা খোমলাংনি..."* (লা: ৮৬) শৈরেং অসিদা মহৌশা অকোয়বগী ফীভম মাঙহন্দবা অমসুং কায়দনা ইকোলোজিকেল বেলেন্স অমদা লৈহন্নবা হোৎনবদা তাইবঙ ওইবা ঐখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাওই হায়বদু পোক্লফম ইমা মহাক্কী খূৎথাংদা মচা ওইবশিংদা পাউমেল্লিবা খূৎইবা অসিদা ফোঙদোকপা থেংনৈ। অমরোমদা মণিপুর অসি কনাগুম্বশিংনা লায়রবা ষ্টেট অমনি ঐখোয়গী করিসু লৈতে। রিসোর্স মরাং কায়না লৈবা ষ্টেট নত্তে হয়বদু অইবীনা য়াজনীংদে। ইরমদম মণিপুর অসিমক করিসু অৱাৎপা লৈতে হায়বদু ফোঙদোক্লি। লুরিবদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা চপ মান্ননা থৌদাং লৌবা ঙমদবা অসিনি। লমদম অসিবু নুংশিরবা অমসুং তুংগী মীরোলগী খল্লগা অমত্তা ওইনা পোক্লফম লমদম অসি শেমগৎলবদি পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়বসি অইবী রমণীনা চেৎনা থাজে।

প্রকৃতিনা তেংথারকপদা অইবী তূমিন্না লৈশিনবা ঙমজদে। ৱাখল থেনবা মীওইবনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক করাম চাউনা শীজিন্নরিবা মহৌশা মহাক্কী হি-য়াই পূন্নমক লোইবা নাই হায়বসি নোংমা খন্থবা ঙমদে। অদুনা ঙসিদি মালেম পূম্বদা মীপায়বা অমগা লোয়ননা মহৌশাগী খল কায়থরকপগী, ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরিবা চৈথেং অসিগী মরমদা মালেমগী লৈবাক কয়াদা এনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট কয়ানা মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা করি করম তৌরগা গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরিবা চৈথেং অসিদগী মালেম অসি কনবা ঙমগদগে হায়না কূপ্পা খন্নরল্লিবনি। থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংজিল্লক্তবা, লৌবুকশিংনা লৈক্রক চৎলগা লৈরকপা, উমংশিংনা মরূ কোকখিবদা মীপায়দবা ঙমদে। অদুনা ইরক্লি মহৌশা ইমা মহাকপু **করম্না থেমগনি** হায়না। সোল্যুসন অমদি পুথোকহন্নীংই। তেংথারিবসি অৱাবগীনি হায়বসি খঙহন্নীংই। মরমদি মীওইবদি মীনুংশি লৈবদি মাল্লগা তুংদা লাক্কদবা অকিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী শাফু অদুদি থোইনা নাচুংলুদে। কবিনা মপূক্নিং নুংনাংনা শোল্লক্লি, *"ৱারৌখ্রমাল্লে পেনখিদ্রমাল্লে মহৌশা নিংথিবী/অশাবা নুংশাশ্বর হোল্লি থবেৎ থবেৎ/করম্না থেমগনি নোংমদোল পাম্মুবা/করম্না নেমথহনগনি চান্নবীগী মীহুন/শংবান্নবী ষণজাবুংগা ষণলুপশিংগা পুন্না/তামখ্রবা লম্পাক্তা ষণজেন্নহাশিংগা লোয়ননা/তৌদ্রি মখোলসু ঙম্নমক লোংখ্রে/কংলবা লৌরীশিংদা মনিল কাখৎলক্লি..."* (লা: ১০১)

পোইনু থানা লাকপদা পূন্নমক্লা হরাওনৈ। কুম অমগী ফৌগৈ লনগৈ পৈশিন্নবা থানি। লৌমীশিংনা নোংজু নুংশা খঙদনা লৈখোম মরক্তা ৱানা হোৎনদুনা চেঙ ফৌ মরাং কায়না চাকহোঙ ঙাহোঙনবা হোৎনরবসু লুচিংবা শাবশিংনা লৈবাক ঙাকপগী মীংদা নুংথিল পোবোপ্তা শাগুন তৌবদি ঙসি ঙসিমকসু কনানসু থিংবা ঙমদনা অদুম্মক চথুরি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী শেল থুমগী ফীভম চারক্ত্রবা মতমদা খুন্নাইদা অৱা-অনা তারক্কদবা লৈরবদা ইমাশিংনা তূমিন্না লৈথোকপা ঙমদে। খ্বাংচেৎ কন্না শেৎচিন্দুনা খূত্তা মৈরা পায়দুনা মচা মশুশিংগীদমক খুন্নাইগীদমক মাঙজিল থানা চোঙথোক্লক্তুনা য়েক্লবগা তেমশিংনবা হায়বসি পুৱারীনা লেঙদ্রবা খুদম ওইদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা পুৱারীদা যূম্ফম ওইদুনা ইমাশিংগী থৌনাবু নীংশিংবা অমসুং ইকায়খুম্নবা ওইনা নুপীলান নীংশিং শঙলেন অমা লৈরি ইম্ফাল ময়োলদা। অইবী রমণীনা শক্তম অমা মঙদা উরি দিসেম্বর ১২গী চিক চিক লাওরবা অহিং অমদা। অহল ওইরবী ইমা অমনা খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা খূৎতা মৈরা পায়দুনা নুপীলান কমপ্লেক্স তম্না চঙশিনখিবদা মখূৎতা সঙ্গিন পায়বা সিফাই অমনা চংবা য়ারোই হায়রকপদগী মুক্লবগী শক্তম অমা মিৎমাঙদা উহল্লি। ফিমু শেৎপা, খূৎলায় পায়বা অমুবা মমিদুগী অনোয়বা মবুক মনুংদা মীয়ামগী চেঙ, ফৌ পূন্নমক য়াওদুনা লৈখ্রে। মদু লৌথোক্তবা য়াদে। ইমা অদুগী মৈরাগী মৈরি অদুনা চাকথেকহনগে হায়দুনা অৰৈবা থৌনা পুথোক্তুনা লাম্থেংনবগী মশক অদু শং শং উহল্লি। চাওরবা নোইরবা মবুক অদুদগী ঐখোয়গী চারা অদু কোৎথোল্লমগে হায়না ইমা অদুনা লাওরকপসু অইবীনা তারম্মী। সিম্বোল ওইনা ফিমু শেৎপা সিফাই ওইনা পুথোক্লগা হায়নীংলিবা ৱাফমদি লৈবাক লল্লোনবশিংদা নাকচেপনা য়েদুনা ফোঙদোকপনি। মখোয়না তৌরিবা লৌনম নমথাক অমদি লৈবাক নুংশিবা শাবদু থৌনা ফৰবী ইমা অমগী শক্তমদা পুখৎলক্তুনা ফত্তবা লৈবাক্কী অমাঙবা ওইগদবা অদুদগী কন্নবা ইমাশিংগী থৌনা অদু নৌহৌননা নীংশিংদুনা ইরকপা শৈরেংনি **দিসেম্বর ১২** *"দিসেম্বর ১২গী ঈংলবা অহিংনি... মাঙদা চৎলম্মী অহল ওইরবী ইমা/মমি শামি লাপ্তক্লা...চৎখ্রি লেপ্তুনা অহাঙবা খোঙনা/ঐনা তান্নে খোঙজেল য়াঙনা/চৎখ্রি অহল ওইরবীদো/লেপ্তুনা তান্নবা ঙমদনা/লেপ্তবা খোঙথাংদা চঙশিনখ্রে/নুপী লান কমপ্লেক্স তম্না..."* (লা: ১২১) শৈরেং অসিগী লোইশিল্লকপদসু ফোঙদোক্লি সিম্বোল ওইনা ফক্লাংদা থেৎলিবা কেলেন্দরদা দিসেম্বর ১২ হায়না ইরিবা অদুদা অমুক য়েংদুনা। মসিনা হায়নীংলিবা অদু অসিনি হায়না অমুক্তা শাফু লৈহল্লি। মরমদি দিসেম্বর কয়া হৌখ্রবসু মীয়ামদি ঙসিসু অদুম্মক অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ফৌ চেঙসু মরাং কায়দে। অঙম অথৌশিংনা মাগী মাগী শোয়দনবা পৈশিন্নরি। চাকথুং ফিথুংনা লৈনবা হোৎনবদা ঐখোয় থৌনা লৈনা হিংগদবনি হায়বদুগী পাউজেল অমসু দিসেম্বর ১২ হায়রিবা শৈরেংসিনা পীনীংলি।

থায়নগী ৱারী হায়বসিদা নুংশিবা অমসুং পাম্মুবা অনীমক য়াওদুনা লৈ মতম পূম্বদা। অহোংবা অওনবা হায়বসিসু থিংলুবদি ঙমদে কনানসু। নুংশিনা শোনবা নত্তনা থায়নগী পোৎ খুদিংমক লোইনসু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হেক্তা ঙমদে। মতমগী কাংখোংদা উংশিনখিবদা মসিদা খোঙলৈ থুনা য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদে মীওইবনা। পুন্সি হায়বসিসু অহোংবা নাইদ্রবদি শিবগা চপ মান্নে। অদুনা পূন্নমক অহোংবা লাকই। মতম অমদা ইনা কুপ্পা শঙ্গায় যুমজাও অমদা ইমুং অমগী মী পূন্নমক অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরমই।লৌরোক পান্থা, নোংজু পান্থা, য়েন্নিং পান্থা অসিগুম্বা পান্থাশিংদা চম্না হিংলম্বা মতম অমগী পুন্সি মহিং অদু কল্লকচবা, পাম্মুজবা অমগা লোয়ননা নুংশিনা শোন্দুনা ইরকপা শৈরেংনি রমণীগী **হৌররোই ৱামৈগী মৈরি** *"শুমাং ময়ায়গী খোংনাং শারবা তুলশিবুং/উনখাবু কম্থোক্লিবা ইগী পাখন/ঙাক্লৌ পীরিবা ৱাশাগী মখোঙ/মিৎচানরি ৱাকচীং নোংগী ঈরিকশিংগা/...ইপুবোক্কী ফুম্নাক ময়াগী চাকঙাই ৱারীশিং/ফুঙ্গা লাইরুগী ইবেমপোক্কী খুভম... তাররোই অবোক্কী হীদাকফুগী মখোল... কাউখ্রগনি হনুবা হনুবী পান থাবগী ৱারী..."* (লা: ১৩৭)

শৈরেং অয়াম্বদা ঙসি ঙসিমক ঐখোয়নদি কয়া শীজিন্নদ্রবা মতম অমগী নুংশিবা লৈশি লৈথোনগী, নুংশিনবগী মশক নিংথিজনা ফোঙদোকপা অতপ্পা, অমেংবা ৱাহৈ মরাং কায়না শীজিন্নবা থেংনৈ। চাংচত্তা শৈরেং ফজবা য়াম্না য়াওরি। নোষ্টালজিক ওইবা শৈরেং, খুঙ্গংগী চম্লবা পুন্সি মহিং, থায়নগী পুন্সিবু কল্লকচবা মফোঙদোকশিং থেংনৈ। শৈরেং ইবদদি মায় পাক্লে হায়বা য়াই। মতুংদসু লাইরিক কয়া মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

—*তোংব্রম অমরজিৎ*

## ষ্টেটকী পাউ

# মীতোপ লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লবদি মণিপুরদা পোপ্যুলেসন এক্সপ্লোজন শোয়দনা...

*লামায় ১গী মখা...* পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংবা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট অমা ওইরে। অদুবু পোপ্যুলেসন পোলিসিদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি শেমদ্রি। অথুবদা শেম্বগী তঙাইফদবসু লৈরে, শেল্লক্নি হায়বগী থাজববুদি লৈরে। অতৈ ষ্টেটশিংগা মণিপুরগা দেমোগ্রাফিক প্রোফাইলদা খেন্নবা য়াম্না লৈ। মণিপুরদদি জিওগ্রাফিকেল এরিয়াসু য়াম্না পিকপা শুপ্নতগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ খক্তমক চাওবা অদুগা ইন্টরনেসনল বোর্দরনা কিলোমিটর ৩৯৮ শাংনা ম্যান্মারগা তাইনবতা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল, নাগা-কুকিগী মনুংচনবা রেকোগনাইজ ট্রাইব ৩৩গা লোয়ননা মপালদগী চঙলকপা ফুরুপশিংগা পুন্না খুন্দাবা চীংলৈবাক অমনি। য়েলহৌঙৈদগী খুন্থোকমিনরকপা এথনিকগ্রুপ অহুম অমসুং অতোপ্পা থেংনা চঙলকপা গ্রুপশিংগী চাবোকপগী চাং মান্নরক্তবা অমসুং মপালদগী চাওপোক ওইনা চঙশিল্লকপা মীতোপকী মশিংনা হেনগৎলকপগী চাংসি কম্যুনিটি অমগা অমগগী মরক্তা য়াম্না খেন্নরে।

খুদম ওইনা বৃটিসনা কুমজা ১৮৮১দা পাঙথোক্লম্বা সেন্সস রেকোর্দকী মতুংইন্না মতমদুদা মণিপুরগী অপুনবা মীশিংগী ১০০গী মনুংদা মৈতৈনা ৫৯.১৬; চীংমীনা ৩৮.৫৭; মৈতৈ পাঙলনা ২.২০ অমসুং মীতোপশিংনা ০.০৪ শরুক ওইরম্বদগী চৎলিবা কুমজা ২০২২দা (প্রোজেক্ট ফিগর বেজ ওন রিলিজন ওইবনা খরখিৎ চেন্থোক চেনশিন লৈবা য়াই) মথংশিংনা মৈতৈনা ৪১.৪৮; চীংমিনা ৫০.৭৯; মৈতৈ পাঙলনা ৭.০৪ অমসুং মীতোপশিংনা ০.৬৭ ওইরে। হৌজিক-হৌজিক মীৎনা উরিবসিগী মথক্তা দেটাসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি ষ্টেটসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা মাগী-মাগী ফুরুপশিংগী মীশিং হেনগৎনবা লমজেল তান্নরি হায়বসিনি। মীশিং হেনগৎপা হায়বসি অঙাং মশিং য়াম্না পোকপা নৎত্রগা মখোয়গী ফুরুপকী মীশিং মপান্দগী কৌশিল্লগা খুন্দা লৈতাহনবা অনীসিগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অনীমক্লা ওইহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফুরুপশিংগী মরক্তা মহৌশাগী লৈরকপা পোপ্যুলেসন কম্পোজিসনদা অকায়বা লাকপদগী পোপ্যুলেসন ইমবেলেন্স থোকহল্লকপদা নত্তনা ইরমদমসিগী ইকোনোমি, সোসিও-কলচরেল, পোলিটিকেল অমদি নেসনল সিক্যুরিটিদা অকায়বা য়াম্না থোকহল্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, পীকখ্রবা মণিপুরদা ফুরুপ মশেল মখোয়-মখোয়গী ভেষ্টেট ইন্টরেষ্টতা মীশিং য়ামখৎনবা হোৎনবা অসি অশিংবা অমসুং অফবা খুদম নত্তে। মালেমগী ওইনা মীশিং হেনগৎপগী খোঙজেলসি য়াঙমল্লি অদুনা হন্থহন্নবা লাক্লরিবা অসি ফাওবদা দেকাদেল গ্রোথ রেটসি (কুমজা ২০০১-২০১১) চাদা ১০.৭ খক্তনি। মালেমদা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইগদৌরিবা ইন্দিয়ানা চহীসিদা চাদা ১৭.৬৪নি। অদুগা খুজিন মমায়মুক পাকপা মণিপুরনা চহীসিদা চাদা ২৪.৫গী চাংদা হেনগৎপা হায়বসি খন্থরুবদা মীপাইনিংঙাইগী মশকনি। মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি ষ্টেবল ষ্টেজ অমদা থমগে হায়রবদি টোটেল ফর্টিলিটি রেট অসি ২.১দা পোকপা ওইবা তাই। হায়বদি চাংচৎতা মমা অমনা মাগী পুন্সিদা অঙাং ২.১ পোকপা তাই। মসিদগী হেল্লগনা চহী খুদিংগী মীশিং হেনগৎলক্কনি। মসিদগী তারগনা চহী খুদিংগী মীশিং অসি হন্থরক্কনি। মসিবু রিপ্লেসমেন্ট লেভেল হায়না খঙনৈ। মরমদি পোপ্যুলেসন অমনা মথংগী জেনেরেসনগী পোপ্যুলেসনদু চপ চানা মহুৎ শিল্লি। অতোপ্পা ৱাহৈ অমদা হায়রগা জিরো পোপ্যুলেসন গ্রোথ হায়না রিপোর্ট তৌরি। এন এফ আই এস-৫গী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯-২০২১দা ইন্দিয়াগী টোটেল ফর্টিলিটি রেট অসি ২.০ ওইবদা মণিপুরনা ২.১৭ ওই হায়না রিপোর্ট তৌরি। মণিপুরগী ওইনা চাংচৎতা মমা অমনা মাগী পুন্সিদা অঙাং ২.১৭ পোকপা হায়বসি ফুরুপ অমনা য়াম্না ৱাংনা চাংচৎতা অঙাং ৭/৮ পোকপা য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা ফুরুপ অমনা য়াম্না হন্থনা অঙাং ১/২ পোকপা অমসুং শুকপোক পোক্তবা মমা কয়া য়াওবনা চাংচৎতা ওইবগী ৱানি।

মণিপুরদা মীতোপ হাইজিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈশিনখ্রবশিং মশক খঙদোকপা অমসুং লৈশিন্নবা হোৎনরিবশিং থিংনবগীদমক ফোরেনর্স এক্ট ১৯৪৬কী এক্ট নম্বর ৩১ ওফ ১৯৪৬ অমসুং ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম (আই এল পী এস) গী প্রোভিজনশিং ময়াক কলহনবগা লোয়ননা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিংবগী তঙাইফদবা লৈ। মীতোপ চঙশিল্লকপসি মতৌ করম্না মেনেজ তৌগদগে হায়বসিনা নাকল অমদা থমখ্রগা ষ্টেটসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা লাইনিং-লাইশোল, শক-চু মান্নদবা কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংমক্লা মাগী-মাগী কাঙলুপ ফুরুপকী মীশিংনা দোমিনেট তৌনবগী অপিকপা ৱাখল্লোল থাদোক্লদুনা অঙাং মশিং অকক্লনা পোকপগী তঙাইফদবসু লৈরে।

মীওইবনা ঙসি মালেমদা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংসি মীওইবা ঐখোয়না হাকথেংননা নৎত্রগা নাকোইননা থোকহঞ্জবনি। অকোইবগী ফীভম শোকচিল্লকপগী, চাবা ফংদবগী, থক্লবা ঈশিং ফংদবগী, লাইনা লাইচৎকী, থবক ফংদবগী, লায়রবা মশিং হেনগৎলকপগী, রিফ্যুজিগী ৱাথোক, মীতোপ চঙশিল্লকপগী চৈথেংনচিংবশিং অসি মীশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপা অমসুং মীওইবনা মশা-মশাগী কান্নবতা খনবগী থৌওংনা মাঙওইনরকপদগী ওইরকপনি। মরম অসিনা লৈবাক অমগী শেল-থুমগী ফীভম, মহৈ-মশিনগী থাক, অনা-লাইয়েংগী ফীভম, থবক ফংদবগী প্রোব্লেমনচিংবশিং অসি লৈবাক অদুগী অপুনবা মী মীশিং, নুপা-নুপী মশিং, অঙাং-নহা-অহল মশিংগা হাকথেংননা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা লৈবাক অমগী চাওখৎ থৌরাংগী থৌশিল থৌরাং খুদিংমক (লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীশিংগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগী ওইবনা) লৈবাক অদুগী মীশিং অমসুং মখোয়গী শকওং শাদা (পোপ্যুলেসন দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং ষ্ট্রকচর) য়েংলগা লেপ্তবা য়ারক্তে। শম্না হায়রবদা লৈঙাক্কী থৌশিল খুদিংমক লমদমদুদা লৈরিবা মীশিংগী মখা পোল্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা প্রোজেক্টেট ফিগরদা হৌজিক-হৌজিক চৎলিবা কুমজা ২০২২ অসিদা মীশিং ক্রোর ১৩৮ শুরে। মথংগী কুমজা ২০২৩দা ইন্দিয়ানা য়ু এননা প্রোজেক্ট তৌবা চহীদগী চহী মরি ঙনখৎনা চিনাদগী মীশিং হেনগৎতুনা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক ওইরনি। লৈবাক অসিগী ষ্টেট-ষ্টেটকী মরক্তা অমসুং ষ্টেট মনুংদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা মীশিং হেনগৎলকপগী চাং মান্নরক্তবদগী কুমজা ১৯৫২দগী চহী ১০/১০ খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা দিলিমিটেসন অসি ৪২শুবা কন্সটিট্যুসন এমেনমেন্দ তৌদুনা কুমজা ১৯৭৩কী মতুংদগী কুমজা ২০০১গী সেন্সস মতুং ফাওবা তৌহনখিদে। লোয়ননা মতম অসি ফাওবা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিগী সিট মশিং হেনগৎপা য়াহনখিদে। মরমসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট মরিখক নত্তনা কুমজা ২০০২দা লৈবাকসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা মরিশুবা দিলিমিটেসন পাঙথোকখি। অমুক হন্না ৮৪শুবা কন্সটিট্যুসন এমেনমেন্দ তৌদুনা দিলিমিটেসন পাঙথোকপা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিগী সিট মশিং হেনগৎপা অসি লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৬ ফাওবা চৎনহন্নদনা থমখ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি হৌজিক-হৌজিক্কী মীশিংগী চাংদা লেপ্লবদি চাবোক য়াম্না ৱাংবা ষ্টেটশিংদগী পার্লিয়ামেন্টতা মীহুৎ/এম পী মশিং শোইদনা হেনগৎকনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদা নেসনল পোপ্যুলেসন পোলিসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবসিনা ষ্টেটশিং অমসুং ফুরুপশিংগী মরক্তা মীশিং হেনগৎলকপগী চাংসি মান্নহনবা ঙমগনি হায়বগী পান্দমদা তৌরিবনি হায়নসু মমিং লৈরবা দেমোগ্রাফর প্রোফেসর আর কে নরেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

